ফেষ্টিভেল য়াওরোই

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : হৌজিক লৈরিবা ঈহৌ অসিবু সপোর্ট তৌবা ওইনা চহীসিগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবা কলাক্ষেত্রা মণিপুরনা ষ্টেট, নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শীনবা ফেষ্টিভেল অমত্তদা শরুক য়ারোই হায়না কলাক্ষেত্রা মণিপুরগী সেক্রেটরি কে ঐচ উশাকান্তনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কলাক্ষেত্রা মণিপুরগী লাঙ্গোল লাইমনাইদা লৈবা ওফিসতা ঙসি জেনরেল বোদি মীটিং অমা ফমখ্রে। মীফম অসিগী ৱারেপকী মতুংইন্না হৌজিক লৈবাক্কী ওইবা ঈহৌ অসিবু সপোর্ট তৌবা ওইনা চহীসিগী দিসেম্বর ফাওবা ফেষ্টিভেল অমত্তদা শরুক য়াদবগী ৱারেপ অসি লৌবনি হায়রি।

বেনিফিসরিশিংগী শেল রিলিজ তৌনবা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনা (অর্বান) হাউজিং ফোর ওলগী ওইনা য়ুম শাবগী ফাউন্দেসন লোইখ্রবা বেনিফিসরিশিংদা শেল রিলিজ তৌবীয়ু হায়না ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী মখাদা য়ুম শাবা হাউজিং ফোর ওলগী বেনিফিসরি মরিনা খুৎয়েক পীদুনা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে।

মীয়ামগী নুমীৎকা মরী লৈননা বেনিফিসরি মরিরোম্না খুৎয়েক পীবা মেমোরেন্দম অদু চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখি। চেরোল অদুদা পল্লিবা ৱাফমশিংদি ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ওইনা পি এম এ ৱাই (য়ু)-ঐচ এফ এগী মখাদা ফাউন্দেসন লোইরবা বেনিফিসরিশিংগী ওইনা শেল রিলিজ তৌখিনবা টাউন প্লানিং দিপার্টমেন্টনা এপ্রুভেল পীখ্রে। অদুবু লাইবক থীবদি ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী এগজিক্যুটিভ ওফিসরনা এমাউন্ট অসি ৱিথহোল্ড তৌদুনা লৈরে। মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিংসু থাজিনখ্রবনি। আধার, পাট্টা, একাউন্ট নম্বর য়াওনা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং থাজিনখ্রে। ফাউন্দেসন লোইরবা বেনিফিসরিশিংগী শেনফমশিং থাদোকপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুদা পল্লি হায়রি।

মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তা লৈবা ওইনাম বুধিগী য়ুমদা থা অসিগী ১৭ তা মণিপুর ষ্টেট যোগ এসোসিএসনগী মীফম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি এন ইবোহলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

পিছ টোক্কী মতাংদা মণিপুরদা ওইরক্লিবা ফীভম অমদি এসোসিএসন অসিনা লৌবা য়াবা থৌদাংগী মতাংদসু খন্নগনি। এসোসিএসনগী এদভাইজর, লাইফ মেম্বর অমদি মেম্বরশিংনা মতম চানা লাক্তুনা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ৱর্ল্ড দাইবেটিস দে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : কম্যুনিটি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, ৱাংবলনা শীন্দুনা শুনুসিফাইদা ঙৱাং ৱর্ল্ড দাইবেটিস দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী সেক্রেটরি এ বোলাইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অদুদা লৈকায়গী মীওইশিং, ইলেক্টেদ রিপ্রজেন্টেটিভশিং, অঙ্গনৱাদি অমদি আশা ৱার্করশিংসু শরুক য়াখি। দাইবেটিস প্রিভেন্সনগী মতাংদা এৱ্যের্নেসসু পীখি। ফিজিকেল এক্সর্সাইজগী কান্নবা কয়াগী মতাংদসু অখঙ-অহৈ কয়ানা ৱাফম কয়া থমখি। তোঙান তোঙানবা চহী কাঙলুপকী মীওই ৪০০ রোম্না থৌরম অদুদা শরুক য়ারি হায়রি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : ৱিমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্টনা শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেন হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

ক্লাস নাইন অমদি টেন তম্লিবা মহৈরোয়শিং য়াওনা মীওই ১৫০ রোম্না এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখি। স্কুল অদুগী ওজা কয়াসু শরুক য়াখি। এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা সোবিতা মংশাতাবম, কমলা উরিকখিনবম, কিরনমালা লাইশ্রমনচিংবনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি হায়না ৱিমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্টকী নোমিতা তখেলচংবমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

তংদু লৈতাদবা ফীভম লৈবনা একাদেমীক কনভেন্সন মতম অমা লেপত্রিবা ফাওবা য়ৈথোক্লে : এম এস এফ

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) কী একাদেমীক কেম্পেন ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা মহে-মশিন তম্বগা মরী লৈনবা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা খুৎশম্নরগা থা অসিগী ১৬ তগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা একাদেমীক কনভেন্সন হৌজিক লৈরিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মতাংদা তংদু-লৈতাদবা থৌওং অমদি স্কুল কোলেজশিংগী ফাইনেল এগজাম/সেমিষ্টর এগজামশিং নকশিল্লকপনা মরম ওইরগা অনৌবা মতম অমা লেপত্রিবা ফাওবা য়ৈথোক্লে হায়না এম এস এফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি খাঙেম্বম বিদ্যাসাগরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, একাদেমীক কনভেন্সন অসি এদ্যুকেসন ফোর বেটর সোসাইটি হায়বা অখন্নবা থীমদা পাঙথোক্লবা শেম-শাবনি। একাদেমীক কনভেন্সন অসিগীদমক মণিপুরগী মশক নাইরবা একাদেমীসিয়নশিং, ইন্টলেকচুয়লশিং অমদি প্রাইমারী/ইলিমেন্টরি এদ্যুকেসন্দগী হৌরগা য়ুনিভর্সিটি প্রোফেসর ফাওবদা মহে তাকপী-তম্বীরিবা ওজাশিংনা মণিপুরদা ঙসি ওইরিবা মহৈগী থাক অমদি লাক্কদৌরিবা চহীশিংদা ওইরক্কদবা ফীভমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনদুনা মপুং ফাবা মহে-মশিন তম্বগী কাঙলোন অমা শেম্নবা পান্দমদা পাঙথোক্লবা হোৎনবনি। লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংনা মালেমগী ফম্বাক্তা চাংয়েংনবদা কমদৌনা পজেং ফিরাল থেৎনা লান্থেংনবা ঙমগদগে হায়বা ৱাফমদা অখন্ননা একাদেমীক কনভেন্সন অসি পাঙথোকপগী পান্দম থম্বনি।

একাদেমীক কনভেন্সন অসি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ওজাশিং, ইন্টিলেকচুয়ল অমদি একাদেমীসিয়নশিংনা ৱাখল লৌশিং কয়া পুথোক্তুনা শেম-শারিবা পেপরশিং অদু কুপ্না খন্নরগা মদুগী রিজোল্যুসন অদুম্মক ঙসিগী পাল্লিবা লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোরক্লবগী পান্দমদা শীনবনি। লৈবাক্কী ওইবা ফীভম অসিনা মতম খরা চাবা ৱাৎপ্রা হায়না এম এস এফকী ফেদরেল এগজিক্যুটিভ কাউন্সীলনা ৱারেপ লৌরগা মতম খরা য়ৈথোক্তবা য়াদবা ফীভমনা য়ৈথোকপনি। এম এস এফনা হায়রুবা মতমদা ইশাগী অচিনবা কয়া কায়থোক্তুনা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনখিবা ওজাশিং অমদি একাদেমীসিয়নশিংনা ৱারৌবীগনু। এম এস এফনা লেপ্পকপা মতম চাবা নুমীৎশিংদা কুপ্না খন্ননবগী মীকুপ অদু লৌমিন্নসি হায়নসু এম এস এফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি খাঙেম্বম বিদ্যাসাগরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

দ্রগ লল্লোন-ইতিক তৌবা মীওই ৪ নোংমৈ অমদি হিরোইন পাউদরগা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : দিমাপুর পুলিসনা নেসনল হায়ৱে নম্বর টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা মণিপুরদগী দিমাপুর তম্না লাকপা স্কোর্পিওন অমা দিমাপুরগী ফোর মাইল এরিয়াদা খামদুনা চেক তৌবদা মীওই মরি নোংমৈ অমদি হিরোইন পাউদরগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়, থৌদোক অসি হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎকী নুমীদাংদা দিমাপুর পুলিসকী এদিসনল দেপ্যুটি কম্মিস্নার য়াওনা লম্বীদা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা স্কোর্পিওন অদুদা ময়াই কাবা চীঙাকশিং অদু পুরম্বদগী ফাবনি হায়রি।

ফারবা মীওইশিং অদুদি মণিপুরগী মরাম খুলদগী কাংবা মরাম (৩৫), অপোকপা কজুং মরাম, মণিপুরগী ফাইবুং খুলদগী পভি পৌমাই (২৫), অপোকপা অশিখো পৌমাই, খুল অসিমক্তদগী শো পৌমাই (২৮), অপোকপা দনয়ি পৌমাই অমদি মণিপুরগী জেমি খুলদগী দফু পৌমাই (৩৮) নি। মখোয়দগী তোঙান তোঙানবা পেকেট ২৩ না য়োম্বা হিরোইন পাউদর, দব্লিয়ু আর এলিয়স য়াবা টেব্লেট পেকেট ৯০, মেগজিন য়াওবা কন্ট্রিমেদ পোইন্ট ২২ গী পিষ্টোল অমা, শেল ওইনা লুপা ৩,১০,০০০, স্কোর্পিওন অমসু য়াওরি। গাড়ী অদুসু হুরাল্লাকপা ওইগদ্রা চিংনরি হায়না পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তারি।

ফারবা মীওইশিং অদু পোৎকা কোন্ননা দিমাপুর পুলিস ষ্টেসনদা মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবা খুৎশিন্নখ্রে। নুমীৎসিমক্তদা দিমপুর পুলিসনা মণিপুরদা লাকপা গাড়ীশিংদগী নমদুনা শেল খায়বা মীওই অমসু ফাখি। ফারবা মীওই অদুগী মমিংনা হিকা অচুমি (৩৭) কৌই। মহাক হেবিশে খুলদা লৈবনি। মহাক্লা পুরানা কৈথেল এরিয়াদা মণিপুরদগী লাকপা ট্রকশিংদগী লোনা য়াদবা শেল লৌরম্বদগী ফাবনি। মহাক পেট্রোলিয়ম এন্দ লেন্দ ট্রান্সপোর্ট ৱার্কর্স ফেদ্রেসন ওফ ইন্দিয়াগী দি এম সীগী বর্মা কেম্প এরিয়াদগী ফাবনি।

পি আর ওনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মখোয়না পি এল টি দব্লিয়ু এফ আইগী কোপন অমমম পীরগা লুপা ৯৫০ লৌরম্বনি। মখোয়দগী হায়রিবা চে-চাংশিংসু ফংবগা লোয়ননা মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবগীদমক ইষ্টর্ন পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে।

নুমীৎসিমক্তদা দিমাপুরগী পুরানা কৈথেলগী এস বি আই বেঙ্ক মনাক্তগী লম্বীদা নমদুনা শেল খায়বা ওটোরিক্সো দ্রাইভর অনীগা লোয়ননা ফারে হায়রি। ফারবা মীওই অনী অদুদি, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী দার্জীলিং টাউনদগী লাক্লগা হৌজিক্লা পুরানা বজারদা লৈবা দেনিয়ল গুরুং এলিয়স আনন্দ (২০), অপোকপা অর্জুন গুরুং অমদি অসামগী পুরানা কৈথেল মোদেল কোলোনিগী দোলঙম খুলদা লৈবা সামুয়ল অহমদ এলিয়স লুহিত (২০), অপোকপা জয়নল এলিয়স জেকোব অহমিদনি। মখোয়দগী জি পি আর এন/এন এস সী এন-আরগী টেক্স লৌবগী রিসিপ্ট খরসু ফংলে হায়রি।

মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি পুবীরকউ হায়না চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : লমদমসিদা ইন্টিগ্রিটি, আই এল পি অমদি চীং-তম থোং মান্ননা চাউখৎপা পুবীরকউ হায়না ভলন্টিয়র ওফ ইন্নোসেন্ট পিপল ওফ নাগা (ভি আই পি এন) উখুল দিষ্ট্রিক্টি মণিপুরনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়না ভি আই পি এনগী চ্যেরমেন এস খপাই অমদি প্রোগ্রাম কম্মিটি জেদ ৱোনচুংনা খুৎয়েক পীবা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরগী নাগা ইনহেবিটেদ এরিয়া মরুওইনা উখুল দিষ্ট্রিক্টতা দিমোক্রেসি এবোলিশ তৌদুনা ইন্দো-এন এস সী এন-আই এমগী মখাদা ইনোসেন্ট পব্লিক কয়া থৱায় মাঙখ্রে। অসুম্না হিংবসি খাংবা ঙমদবদগী হৌজিক্তি মীয়ামগী অপাম্বদি ইন্টিগ্রিটি ওইনা হিংমিন্নবা অসিনি। অথুবা মতমগী মনুংদা ওপন ইন্টিগ্রিটি কেম্প্যেন চৎপা য়ানবা নাগা ইনহেবিটেদ এরিয়া পব্লিকনা ভি আই পি এনদা রিক্বেষ্ট তৌবদগী চে অসি থাজিনবনি।

ইন্টিগ্রিটিগী ৱাফম অসি হিল ভেলিগীদমকনি হায়রবদি অৱাবা খাংবা ঙমদনা লৈরিবা মণিপুরগী নাগা ইনহেবিটেদ এরিয়াদগী লাওরিবা ইচিল-ইনাওশিংগী খোঞ্জেলসি তাবীবা ওইনা অথুবদা ভি আই পি এনগী মথক্তা ফোলস কেস লৈরিবা ময়ামসি ৱিথদ্রো তৌরগা পুং ৪৮গী মনুংদা ওপন ইন্টিগ্রিটি কেম্প্যেন চৎপা য়াবীয়ু হায়না হায়জরি। টোক অসিনা চীং-তম ইন্টিগ্রিটিগী ফ্যুচরদা অকায়বা পুরক্লগাদি লেপখৎপা ঙমদনা লৈরিবা চীংগী ইন্টিগ্রিটি সপোর্টর লিশিং লিশিংনা পুন্সি চুপ্পা পী তাগদৌরিবসি ষ্টেট লৈঙাক্কী থৌদাংনি হায়নিংই। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ঐখোয় লাকপদা প্রোটেক্সন পীবা ঙমগনি হায়রগদি হৌজিক্তগী হৌনা লেপখৎনবা ঐখোয় রেদিদা লৈরে। ঐখোয়গী অপাম্বা ৱাফমশিংদি ইন্টিগ্রিটি, আই এল পি, চীং-তমগী থোং চপ মান্ননা চাউখৎমিন্নবা অসিনি। পোইন্টশিং অসি চীফ মিনিষ্টরনা য়াবীগনি হায়বগী থাজবা থম্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : ককচিং পব্লিক স্কুলগী ইহান হানবা হেদ মাষ্টর ওইরম্বা নাওরেম বিরেন্দ্রকুমারনা থা অসিগী ১৩ দা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না ককচিং পব্লিক স্কুল মেনেজিং কম্মিটিগী সেক্রেটরি এম রামেশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নাওরেম বিরেন্দ্রকুমার থা অসিগী ১৩ দা মপুগী খুয়াদা চঙজখ্রে। লৈখিদ্রবগীদমক স্কুলগী মেনেজিং কম্মিটি, টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফ লোয়ননা মহৈরোয়শিংনা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা পোথারুনবা তাইবং শেন্থা মপুগী মফমদা খুরুমখি হায়রি।

চেকশিন মৈরা খোঙচৎ চৎতুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী ঙমখৈ কায়হনবা য়ারোই অমদি মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকহনবা য়ারোই হায়না কোকোমিনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা কবুই ফুরুপকী ইমা-ইবেলশিং য়াওনা নম্বোল মায়কৈদা চেকশিন মৈরা খোঙচৎ চৎখ্রে।

মৈরা খোঙচৎ চৎলিঙৈ মনুংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী এস পি প্রিয়াদর্শিনি লাইশ্রমনা লুচিংবা পুলিসকী টিমনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্তনবা ঙাক শেনখি। নম্বোলগী অকোয়বদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মৈরাগী রেল্লি চৎখি। নুমীদাং অথেংবা ফাওবা চৎখিবা মৈরা রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই, চীংমী-তম্মী অমত্তনি, লোং লিভ মণিপুর হায়বা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবী নম্বোল অপূনবা নুপী লূপকী সেক্রেটরিনা ফোঙদোরকখিবদা, মণিপুর মীয়াম অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লাক্লি। এম এল এ ৬০ না থৌশাদনা লৈবা য়ানিংদে। প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরনা লৈবাক কায়হল্লোই হায়রগা য়াবা ঙল্লোই। অইবা খুৎয়েক পীবগা লোয়ননা মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা খঙনা থবক তৌগদবনি হায়খি। বিষ্ণুপুর কৈথেলদসু বিষ্ণুপুর ব্লোক কোংগ্রেসকী কম্মিটিশিংনা শীন্দুনা চেকশিন মীফম ফমখ্রে হায়রি।

দ্রগ লল্লোনবা ১ ফারে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : য়াদা ক্লবকী মেম্বরশিংনা এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎকী লমজিং মখাদা চথরকপা দ্রাইভতা ময়াই কাবা চীঙাক লল্লোনবা মীওই অমা ঙৱাং নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা পোৎকা কোন্ননা ফারে হায়রি। ফারবা মীওই অদুগী মমিংনা এম দি সাহজান এলিয়স চাওবী কৌই। মহাক নহারুপ থোং মনাক্তা লৈবনি হায়রি। য়াদা ক্লবকী মেম্বরশিংনা মহাকপু ফারগা ৱাহং-পাউহং চথবদা মহাক্কী ময়ুমদা ময়াই কাবা চীঙাক খরসু লৈহৌরি হায়না ফোঙদোরকপদগী য়াদাগী মেম্বরশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসতা পাউ পীরগা পুলিসকী এ এস আই নরেশ য়াওবা টিম অমা চৎলগা নুংথিল পুং ৪.৩০ তাবদা দ্রগ খরসু ফাগৎখি। মঙোন্দগী ফারবা দ্রগশিং অদুদি, এস পি কেপসুল ৭৫০০, এন টেন ৫০০ অমদি কোদেন মহি বোট্টল ৩ নি। মহাক ফারবা পোৎলমশিং য়াওনা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

সঙাই ফেষ্টিভেলদা লীলা পার্টি ১০ শরুক য়াররোই ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : সঙাই ফেষ্টিভেলদা লীলা পার্টি ১০ শরুক য়াররোই হায়না লীলা পার্টিশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট জি তেন কুমার নাওরেমনা হায়খি, হন্দক্কী সঙাই ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়ারোইদবা লীলা পার্টি তরা অদুদি, ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসন, টাইম ষ্টার আর্টিষ্ট য়ুনিয়ন, সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিএসন, লমজিংবা আর্টিষ্ট এসোসিএসন, মমি আর্টিষ্ট এসোসিএসন, পোকলেনপোকপা আর্টিষ্ট এসোসিএসন, অপূনবা আর্টিষ্ট এসোসিএসন, কমখ্যা সঙ্গিত মন্দল অমদি শিরোই আর্টিষ্ট এসোসিএসননি।

মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা ঙমখৈগী ফীভম অসিদা কোকোমিনা চঙশিল্লকপা খোঙজংবু শৌগৎতুনা নুপা লীলা কাঙলুপ ১০ না শিন্থা লেপ্লি। ৱারোইশিন লৈত্রিবফাওবা লেপখিগনি। ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা ইরমদমগী ফুরুপশিংগী মরক্তা তোখায় তানবা অমদি ঙমখৈ কায়নবা শিল্লক্লবদি লীলারোয় অমা ওইনা ইরমদমগীদমক লান্থেংনগনি। ফীভম অসিদা লাক্লিবা সঙাই ফেষ্টিভেলদা লীলা কাঙলুপ ১০ অসি লীলা উৎলরোই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

এন সী সীগী ট্রেনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : ১৪(এম) বট্টালিয়ন এন সী সী ইম্ফালনা শীন্দুনা কম্বাইন্দ এন্যুয়ল ট্রেনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে হায়না পি আই বি দিফেন্স ৱিংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কেম্প অদুদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী এন সী সী কেদেট ৩৬০ না শরুক য়াখি। কেম্প অদুদা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা ট্রেনিং পীখি। দ্রিল, মেপ রিদিং, মার্চিং, ফিল্ড ক্রাফ্ট, ফিজিকেল ট্রেনিং, ফায়রিং, স্পোর্টস, য়োগনচিংবগী ট্রেনিং কয়াসু পীখি। নুমীৎ ১০ নিগী ওইবা কেম্প অদুদা লেকচর অমদি দেমোন্সত্রেসন কয়াসু উৎতুনা তাকপী-তম্বীখি। ফায়র ফাইটিং দিপার্টমেন্ট, ট্রাফিক কন্ট্রোল দিপার্টমেন্ট, হেল্থ দিপার্টমেন্ট, ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী টিমনসু দেমোন্সত্রেসন কয়া উৎখি হায়রি।

মণিপুর মীয়াম্না তাল্লিবশিং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ওন্ন-তৈনবদা লাক্লবদি তোঙান্না লৈনবা তাল্লকপসু য়াই : ও জুগিন্দ্রো

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুর মীয়াম্না তাল্লিবশিং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ওন্ন-তৈনবদা লাক্লবদি তোঙান্না লৈনবা তাল্লকপা য়াই হায়না এম পি পিগী প্রসিদেন্ট অমদি মণিপুর পিপলস দেম্মক্রেটিক এল্লাইয়ন্সকী চ্যেরমেন ওইনাম জুগিন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

আর জে এস পি, এম পি পি, আর এস পি, এন সী পি, বি জে পি, টি এম সী, এল জে পি, দি বি এস পি, প্রজা, এম পি সী অমসুং এন ঈ আই দি পিগী অপূনবা মণিপুর পিপলস দেম্মক্রেটিক এল্লাইয়ন্সকী ৱাকৎ মীফম অমা ঙসি এম পি পি ওফিসকী গেটতা ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা ও জুগিন্দ্রোনা হায়খি, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা য়াওরিবা ৱারোলশিং খঙহল্লু হায়বনি। অমিট শাহনা চিনহায়দা হায়রিবসি মণিপুর মীয়াম্না করম্না থাজগনি। শোক্তে হায়বদু অইবা ওইনা পীরবদি মীয়াম্না নুংঙাইতবা ফাওরোই। লৈঙাক্লসু লমদমসিগী শক্তম শোক্তে হায়বগী ৱারোল ইদুনা ফিরেপ খঙহনফম থোকই। চিন্দা হায়বনা য়ারোই। পার্লিয়ামেন্ট সেসন থা অসিগী ১৮ দগী হৌগদৌরি। মসিদা এম পি ৪ না পুখৎতুনা পার্লিয়ামেন্টকী ৱারেপ ওইনা মণিপুর শোক্তনবা লৌহনফম থোকই। নাগালেন্দগীদমক লেপ্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরগীসু লেপফম থোকই।

এল্লাইয়ন্স অসিদা এম এল এ য়াওদ্রগসু পোলিটিকেল থৱায় য়াওজবা ওইনা লৈবনি। মসিগীসু মথক্তা লৈঙাক হায়বসি মীয়ামগী ওইবা মরম্না মীয়ামনা লৌবা ৱারেপসি চপ চাবা ৱারেপনি। করিগীদমক মণিপুর লৈঙাক্লা এসেম্ব্লী ফম্লগা ৱারেপ লৌনিংদ্রিবনো। ঙসি তংদু-লৈতাদবা ফীভমসিদা লৈরিবসি লৈঙাক্লা ৱারেপ পীদবদগীনি। মতম লোইরগা সিভিল সোসাইটি কৌরবদি মদুনা হেন্না শাউহন্নবগী মচাক ওইবসু য়াই। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা লাল্লোং মানবা অমা য়াওরি। চীফ মিনিষ্টর অমদি গভর্ণরদসু মেমোরেন্দম পীশিনগনি। হান্ননা পীশিনবসু লেখ্রে। মণিপুর শোকপা ফীভম লাকপা য়ারোই। করিগুম্বা মীয়ামগী দিমান্দগী ওন্ন-তৈনবদা লাক্লবদি দিমান্দ কয়া তাল্লকপা য়াই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, নাগামপাল শিংজুবুং লৈরক মচিন্দা কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা শিংজুবুং য়ুথ ওর্গনাইজেসন ক্লবনা শীন্দুনা চেকশিন মীফম ফমখ্রে। চেকশিন মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা শিংজুবুং য়ুথ ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি নারেংবম বেদিকনা হায়খি, পিছ টোক চথরিবা অসিদা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি শোকপা য়ারোই। মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা মখল অমত্তদা শোকহনবা য়ারোই হায়না লেপ্লি। মণিপুর শোক্লবা চঙশিল্লক্লবদি থৱায়না পোন্থা পীগনি। হিরম অমত্তদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম শোকহনবা য়ারোই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, কোকোমিনা চঙশিল্লকপা খোঙজং শৌগৎলদুনা অয়াংপল্লি প্রোগ্রেসিভ ৱিমেন ওর্গনাইজেসন অমদি সোইবম লৈকায় অয়াংপল্লি য়ুথ ক্লবনা খুৎশম্নরগা অয়াং পল্লি জে এন হোস্পিটাল রোদকী অকোয়বদা ঙৱাং মৈরাগী খোঙচৎ চৎখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি সগোলশেম ওংবী রোজিনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা হায়রি। খোঙচৎ অদুদা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা য়ারোই, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌশিল য়ানিংদে, ইমা লৈবাক্লা য়াইফরে, লোং লিভ মণিপুর হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়া লাউখি। মৈরাগী খোঙচৎ অদু জে এন হোস্পিটাল রোদকী অকোয়বা মফম কয়াদা চৎখি হায়রি।

হৈক্রুজম নন্দনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুরী খোরিরোলগী শক্লাইরবা কবি হৈক্রুজম নন্দ মৈতৈনা ইখং-খঙহৌদনা মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদবদা রাইটর ফোরম ইম্ফালগী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিনা মীফম পাঙথোক্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না ফোরম অসিগী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নন্দ মৈতৈ কছার দিষ্ট্রিক্টকী সোনাই মনাক্তা লৈবা জোর খুলদা কুমজা ১৯৪৫ কী ওগষ্টতা পোকখি। টেলিগ্রাম দিপার্টমেন্টতা থবক তৌদুনা কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তা য়ুম লিংদুনা লৈখি। মহাক টি এস এ ও ওইনা বি এস এন এলদগী থবক্তগী পোথাখি। নন্দ মৈতৈ অঙাং ওইরিঙৈদগী ওইনা খোরিরোলদা থৱায় য়াওরকই। শৈরেংনা হেন্না পাম্না খুৎ থারকই। রাইটর ফোরম, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, কলচরেল ফোরম অমদি নহারোল সাহিত্য প্রমি সমিটিগী লাইফ মেম্বর ওইরম্মী। মণিপুরগী মনুং অমসুং মপান্দা পাঙথোকপা শৈরেং শৈদিন্নবা কয়াদা শরুক য়ারুই।

মহাক্কী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিংগী মনুংদা চেকখায়রগা মালেম, পূক্নিং ৱা, ঐগী ইমিং তাক্লিংদে ইমা, অতিয়া মচেৎ, ইমাগী ফনেক মচু, শৈরেং ১০৮, কুরাক অমসুং বোমনচিংবা শীংথাবা য়াই। কুমজা ২০১০ দা পাঙথোকখিবা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী প্লাটিনম জুবিলি থৌরমদা মহাক্লা শৈরেংগী লমদা তম্লম্বা খুদোলবু শকখঙবা ওইনা কাব্য ভুষন মিংথোল পীখি। শক্লাইরবা শৈরেংবা হৈক্রুজম নন্দনা লৈখিদবসি খোরিরোলদা মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা মাঙজবা অমনি। লৈখিদ্রবগী থৱায় মীরেলনা ঈংনা চিক্লা লৈরুবা ওইরসনু। ফোরমগী মেম্বরশিংনা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for
CLASS -XII Sc. (COHSEM) & CLASS -X(BOSEM)
4th Nov. 2019 (4:00/4:30 p.m. - 7:30)
5th Dec. 2019 (3:30 p.m. - 7:30)
HSE Result 2019
19th POSITION HSE 2019
FOUNDATION COURSE for
CLASS -X(BOSEM)
9th Dec. 2019 (4:30 p.m. - 7:30)
HSLC Examination Result 2019 at a GLANCE
13th POSITION HSLC 2019
17th POSITION HSLC 2019
23rd POSITION HSLC 2019
24th POSITION HSLC 2019
Rakesh Ningthoujam
Nongmaithem Zeno
Jessica Wahengbam
Kahajam Jaya Devi
Rushely Laishram
Faculties :
Former Head Examiner, Assitant Head Examiner, Co-ordinator, Board Examiner and Lecturers from reputed Higher Secondary School.
Special features :
➡ Mock-Test Series (Sunday and provide four Question Set for each subject).
➡ We provide printed probable questions and answers.
➡ Hostel/Boarding for Boys &Girls. ➡ Van Services
Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol Contact : 8413855751
HL-B/4082/14 oct. - 1 nov.

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/4529/25oct.to23nov.

PMKVY
Skill India
N·S·D·C National Skill Development Corporation
FREE
4th Phase
3 months certificate course in Self Employed Tailor
Under the Sponsorship of Pradhan Mantri Kaushal Vikas Yojana (PMKVY) in collaboration with SKILL INDIA & NSDC.
Admissions Open
Highlight of the Course
- Regular classes theory with practical
- Fabric cutting, stitching etc.
- Pattern making.
- Job offer/ placement.
- Incentive in every successfull candidates.
- Many more offers.
- Last day of form submission25/11/2019
Class Commencing on last week of November.
More details, Contact,
Manipur Welfare Organisation
Training Centre (TC040988)
Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal,
Near Royal Academy of Science, Imphal -East.
Contact No. 9774723147/ 9774328353
Email. shotingotimayum@gmail.com
tamsharma09@gmail.com
Limited seat capacity, Registration Open.
HL-P/5297/15-24